**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ০৫-০৪-২০২৪, ইরাই)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মেনিফোস্তো ওসি ফোংখ্রে।

২) সি.ই.ও মনিপুরনা হায়রি - মীখলদা শিজিন্নগদবা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদ মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে ।

৩) মনিপুরগী ওইনা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ দা ভোট থাদনবা ইলেক্সন কম্মীসননা থৌরাং পায়খৎলি।

৪) বি.জে.পি লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগীদমক মিজোরামদা চহি ৮৫ হেল্লবা ভোটরশিংগী ভোট থাদহনবগী থবক থা অসিগী ৮ দগী হৌরগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**কংগ্রেস(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মেনিফোস্তো নিয়াই পত্রা ঙসি মনিপুরগী ওইনা ইম্ফালদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা ফোংখ্রে। মেনিফেস্তো অদুদা - মনিপুরগী ওইনা হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসিনা মনিপুর প্রজাগী মাং তাকখিবা পুমমক খঙদোকবা মপুং ফানা ইনক্বারি কম্মীসন অমনা থিজিলহনবা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসি লোইশিন্দুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবা, ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা, য়ুম কৈ -মৈনা চাকখ্রবা, অশোক অপন নংখ্রবা প্রজাশিংদা মপুং ফানা কম্পেনসিয়েসন পীবা ঙমবা পার্লিয়ামেন্তদা- দিসপ্লেস পার্সন্স (কম্পেন্সেসন এন্দ রিসেটলমেন্ত)বিল অমা পুথোক্তুনা মতিক চাবা আইন শেম্বা, লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা, নহাশিংদা থবক পীবা, লৌউ শিংউগী লোন কোকপা য়ানবা লোন ৱেবর কম্মীসন লৈহনবা,সেদ্যুল কাস্ত অমদি সেদ্যুল ত্রাইবকী পোপুলেসনগী চাং চানবা অখন্নবা বজেট পীবা, নহাশিংনা মশাগী করবার তৌজনবা লুপা কোতি লিশিং ৫ গী ষ্টার্ট অপ ফন্দ থম্বা, লায়রবা ইমুং খুদিংগী য়ুম পুরিবি নুপী অমদা চহি অমদা লুপা লাখ অমা পীবা, আশা, অঙ্গলৱাদি অমসুং মিদ দে মিল ৱাকরসশিংগীদমক হান্না ফংলম্বা চাংদগী শরুক অনি হেনগৎহনবা, সরকারগী মরুওইবা থবক থৌরমশিংবু কন্ত্রেক্তো ওন্থোকপা থীংবনচিংবা য়াওরি।

মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী প্রসিদেন্ত কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা মেনিফেস্তো ফোংবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়-ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেসকী লোক সভা ইলেক্সনগী মেনিফেস্তো নিয়াই পত্রা অসিদা লৈবাক অসিগী- নহাশিং , নুপীশিং, লৌমীশিং অমদি তোঙান তোঙানবা শীনফমদা থবক শুরিবা লেবরশিংগী , সেদ্যুল কাস্ত , সেদ্যুল ত্রাইবকী চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা ৱাফম কয়া য়াওরি।মনিপুরগী ওইনসু হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরিবা সমস্যা অসি কোকহন্নবা ৱাফম কয়া য়াওরি । মহাকা হায়-

।--**সাউন্দ মেঘাচন্দ্র**--

মেনিফেস্তো ফোংবগী থৌরম অদুদা হান্নগী এম.পি. ডা:মৈনা, ইন্দিয়া ব্লোক্কী মনিপুর ইনচার্জ কে.এস.ঐচ শান্তা, ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী মীরেপ ডা: অঙোমচা বিমোলনচিংবা শরুক য়াখি।

**কেম্পেইন(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ঙসি মনিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি. পেদ মেছিনশিং পানখৎপগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা রাজ্যগী চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা মীখলগা মরী লৈননা সিগনেচর কেম্পেইন অমা হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী সি.ই.ও প্রদিপ কুমার ঝানা হায়- লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি. পেদ মেছিনশিং পানখৎনবা ইলেক্ট্রোনিক কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিতেদতগী ইঞ্জিনিয়র ৬৪ রাজ্য অসিদা থুংলরে। মখোয়বু কাংবু কাংবু খায়দোক্তুনা মাগী মাগী জিলাশিং শিন্নদুনা মেছিনশিং অসি পানখৎপগী থবক ঙসিদগী হৌখ্রে।

মহাকা হায়- লাক্লিবা মীখল অসি শান্তি ওইনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা খনবা ওবজার্ভর ৭ না রাজ্য অসিদা লেংদনা লৈদুনা মীখলগা মরী লৈননা লৌখৎপা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লি। মসিগা লোয়ননা ইনফোর্সমেন্ত এজেন্সিশিংনা মীখল অসিগা মরী লৈননা অথীংবা থম্বা থবক থৌরমশিং চত্থরম্বশিং ফাবা পুনবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি।

**--সাউন্দ ঝা--**

ঙসিদগী হৌদোকখিবা সিগনেচর কেম্পেইন অসি লাক্লিবা মীখল অসিদা ভোটরশিংনা অকি অখঙ অমত্তা য়াওদনা ভোট থাদবা অমদি মীখল অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমবা পান্দমদা চত্থবনি । সিগনেচর কেম্পেইনগী থৌরম অসি ঙসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল, কংলা গেট অমসুং বি.টি পার্ক্তা পাঙথোকখি ।

**পোল্লিং ঃ** হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মনিপুরগী ওইনা ইরাংনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা অমদি মরী মতাশিংগী য়ুমদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ দা ভোট থাদনবা ইলেক্সন কম্মীসননা থৌরাং পায়খৎলি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এপ্রিল ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলা- চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী য়াওনা জিলা ৭ তা পুন্না অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৫ হাংদোক্কনি। অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা এপ্রিল ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা তম্পাক্কী জিলা জিরিবাম য়াওনা জিলা ৩ দা পুন্না অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯ হাংদোক্কনি।

মীখল অসিদা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ভোটরশিংগী শকখঙ চে শানবা ফোর্ম পুন্না লিশিং ১৭,৪০০ হেননা রিলিফ কেম্পশিংদা শিন্নখি। মদুগী মনুংদা নিংথিনা মেনশিল্লবা ফোর্ম লিশিং ৯,৯০০ রোম মরী লৈনবা মীখলগী ওফিসিয়েলশিংদা খুৎশিন্নরকখ্রে। হন্দক্কী মীখল অসিদা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ১১৮লৈগনি। মসিগা লোয়নন‌া অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগ মনুংদা ষ্টেসন ৮০৬ দা নুপীশিং খক্তনা মথৌ তৌগনি।

**ট্রেনিং ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী পোল্লিং পরসনেলশিংগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা প্রিসাইদিং ওফিসর পি.ও.ৱান, পি.ও.টু অমদি পি.ও.থ্রিগী ট্রেনিং হয়েং থম্বাল মরিক কজেল ওইনামদা হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগনি।

**ফাবা (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী টেরা পিসক নাতেকখোংদা ঙসি অয়ুক থীবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুদি - মরু য়াওদবা এস.এম.জি করবাইন্দ ২ অমদি থ্রার্টি সিক্স এম.এম.কে ৱান-এ হেন্দ গ্রেনেট ৪ নি। আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎলায়শিং অদু হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী পুলিস টিমনা জিলা অদুগী অথোকপম অৱাং লৈকায়দা থীবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা য়ুম ৩৫দা চংদুনা থীবা হুন্বগী থবক চথখি অমদি মীওই ৬৫ ৱাহং পাউহং তৌখি। অদুমওইনমক খুৎলায় অমদি মীফমা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**মীখল ঃ** লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা বি.জে.পি লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। মীখল অসি তাঙ্কক ৭ থোকা থা অসিগী ১৯ দগী ভোট থাদবা হৌগনি। ঙসি অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেশিং স্ক্রুতিনি তৌখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী সেখাৱাট লমদমদা বি.জে.পি মীরেপ চুরুগী মীখল রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- ভারত অসি করমহায়না অশুক থুনা চাউখৎ লম্বীদা চংশিল্লিবনো হায়না মালেম পুম্বনা ঙকরিবনি।

**এক্সাইজ(এল)ঃ** ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক তোঙান তোঙানবা খোংথাং কয়া লৌখৎলি। মসিগা মরী লৈননা কম্মীস্নর এক্সাইজকী মীৎয়েং মখাদা ইনফোর্সমেন্ত টিম থৌবাল জিলা এক্সাইজ, য়াইরিপোক এক্সাইজ ষ্টেসন টিম অমদি অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসন , য়াইরিপোক পুলিস টিমনা পুন্না য়ু-ঙৌ লিতর ৪২০ ফারে। য়ু-ঙৌশিং অসি অন্দ্রো রোমদগী পুথোরকপদা ফাগৎপা ঙমখিবনি । মসি চাউরাকা কৈথেলগী মমলদা লুপা লিশিং ৪০গী মমল ওইগনি হায়রি ।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইজকী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নোদেল ওফিসরনা হায়রি- অসিগুম্বা দ্রাইভ অসি মখা তানা চথখিগনি ।

**ত্রেনিং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাদা তুংকোয়না চৎনগদবা লৌউ মখল শীজিন্নবগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথরকপা লৌমীশিংবু তাকপী তম্বীবগী থৌরম অমা তমেংলোং বেপ্তিস চর্চতা ঙসি লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈবাক লৈহাও ফগৎহন্নবগীদমক উনা -ৱানা পত্থ- পুমথহল্লগা হার শেম্বা অমদি মহৌশাগী ওইবা মহিগী হারশিং শেম্বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তম্বীখি। লৈবাক লৈহাওগা চানবা মখলগী মহৈ মরোং খনবা, মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপ চত্থবা, য়ুমদা মতৌ করমা য়ুমশাশিং য়োক্কনি হায়বনচিংবা মতাংদা খন্না নৈনখি। পুন্না লৌমী ৯০ রোমনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখি। থৌরম অসি তমেংলোং বেপ্তিস চর্চ, হেনরি মার্টিন ইন্সটিট্যুট হায়দ্রবাদ অমদি ইন্দিজিনস ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন ফাউন্দেসননা পুন্না শিনবনি।

**রেবিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি বিভাগ অমসুং ওরিয়েন্তেল লেবেলর এসোসিয়েসন ৱাংখৈ কোংবগা খুৎশমদুনা ঙসি হুই অমসুং হৌদোং পুন্না ১৪৩ দা এন্টি রেভিস ভেক্সিন কাপখ্রে।

তমেংলোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ঙসি পাকশন্না এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপখি। মদুদা পুন্না হুই ১৫০ দা হিদাক কাপথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশঙবম মখা লৈকায়দা ঙসি ভেটিরিনরি বিভাগ অমদি নিদসু ক্লবনা পুন্না শীন্দুনা অনিরক শুবা ওইনা এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

**এৱার্নেস (এল)ঃ** ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা থাদোক্তুনা অনৌবা পুন্সিদা করমা লাকবা হোৎনগনি হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং হোদাম্বা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা সোসিয়েল সাইন্তিস ডা: ধনবির লাইশ্রমনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসি কংলৈ-পানাস অমসুং ফিসোকনা খুৎশমরগা শিনবনি।

**মেদিকেল (এল)ঃ** মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী মনিপুর ষ্টেট ফার্ম্মসি কাউন্সিল অমদি দ্রগ কন্ত্রোল এদমিনিস্ত্রেসননা শিন্দুনা -সেফটি, ইফিকেসি, ক্বালিতি অমদি এফোরদেবিলিতি ওফ দ্রগস হায়বা হিরমদা এর্ৱেনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। লম্ফেলগী আর.দি.ৱিংগী দ্রগ কন্ত্রোল এদমিনিস্ত্রেসনদা পাঙথোকপা থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা ষ্টেট ফার্ম্মসি কাউন্সিলগী আর.কে বাসুমাণিনা হায়- রাজ্য অসিদা ফংলিবা অনা লায়েংদা শিজিন্নরিবা হিদাকশিং অসি কয়া য়ামা সেফ ওই, মহাক্কী ক্বালিটি কয়া য়ামা য়াওই অমদি হিদাকশিং অসিগী মমলশিং অসি চান্নরিব্রা হায়বা অসি মীয়ামা খঙদবা য়াদ্রবা ৱাফম অমা ওইরক্লি।

আর.কে বাসুমনিনা হায়-

**--সাউন্দ বাসুমনি--**

**স্পোর্টস(এল)ঃ** ফ্রাষ্ট চিফ মিনিস্তরস এন্দ ফোরটিন লোক্তাক ত্রোফি ২০২৪ গী ৱিন্নর শগোবন্দ য়ুনাইতেদনা ওইরে। ঙসি মোইরাং চীংঙৈ গ্রাউন্দা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদনা ৱাই.এস.দব্লিউ.এ উৎলৌবু পাঞ্জল ১-০ দা মাইথিবা পীখিবনি। ত্রোফি অসি লোক্তাক হায়দ্রো পৱার কোওপরেসননা স্পোন্সর তৌরগা অমোফা মোইরাংনা শীনবনি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**মিজোরামঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক মিজোরামদা চহি ৮৫ হেল্লবা ভোটরশিংগী ভোট থাদহনবগী থবক থা অসিগী ৮ দগী হৌরগনি।

আইজোলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা মিজোরাম পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়্যসনগী রিটর্নিং ওফিসার-নাজ্ক কুমারনা হায়-আইজোলগী ওইনা অহল ওইরবা ভোটরশিং অসিগী য়ুম য়ুমদা ভোট থাদহনবগী থবক থা অসিগী ৮ দগী ১০ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চপা চথগনি। রাজ্য অসিগী লুংলৈ জিলাদা ঙরাংদগী হৌদুনা অহল ওইরবা ভোটরশিং অমদি পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিটিশিংগী য়ুম য়ুমদা চংদুনা ভোট থাদবগী থবক হৌখ্রে।

লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোন্বগী থবক কন্না চথরি । রাজনিতি দলশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক য়ুম য়ুম চংদুনা ভোট খোন্লি। রাজ্য অসিদা অহানবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগনি।

**সিক্কিমঃ** সিক্কিমদা থা অসিগী ১৯ দা লোক সভা সিট ১ গী মীখল অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি। রাজ্য বিধান সভা মীখলগীদমক নুপী মীরেপ ১৩ শু মীরেপ ওইরি।

হৌজিক হৌজিক রাজ্য বিধান সভাদা নুপী অহুম য়াওরি। লাক্কদৌরিবা মীখলদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মিস বিনারাইনা লোক সভা মীখল থেংননবা শেম শারি। নুপী মীরেপ ১২ না রাজ্য বিধান সভা মীখল থেংননবা শেম শারি।

**মেঘালয়ঃ** মেঘালয়গী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-ডা: বি.বি.আর. তিৱারিনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হাংলিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৪০ দি বঙ্গলাদেসকা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা ওইরি। অদুগা পোল্লিং ষ্টেসন ১৮৭ না অসাম-মেঘালয়া লোন্নবা মফমশিংদা ওইরি।

রাজ্য অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬১ রোমদা মীখলগী মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং ওফিসারশিংনা পোল্লিং ষ্টেসন য়ৌনবগীদমক অসাম ফাওরগা চৎপা তারি। মহাকা মখা তানা হায়-অসামগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসি মথৌ নিংথিনা পাঙথোকবগীদমক রাজ্য অনিগী চীফ সেক্রেটরিগী থাক্তা মীফম পাঙথোকখ্রে।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং, মরুওইনা মণিপুর, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসি পারপ্তুগী ময়াই ওইবা চাং ফাওবা নোং চুরবা য়াই।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুকশিং অমদি ইন্দিয়ান পেনিনসুলারগী মফমশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা কা হেন্না শারবা য়াই।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মেনিফোস্তো ঙসি ফোংখ্রে।

২) সি.ই.ও মনিপুরনা হায়রি - মীখলদা শিজিন্নগদবা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি. পেদ মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে ।

৩) মনিপুরগী ওইনা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ দা ভোট থাদনবা ইলেক্সন কম্মীসননা থৌরাং পায়খৎলি।

৪) বি.জে.পি লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগীদমক মিজোরামদা চহি ৮৫ হেল্লবা ভোটরশিংগী ভোট থাদহনবগী থবক থা অসিগী ৮ দগী হৌরগনি।

**--- পাউ লোইজরে---**